# তুংকোয়না শীজিন্নবা শজিক লীদুনা থম্বা

**ডা. সরাংথেম জেসমারানি**

লমদমসিদদি শা-ষণশিংদা পীজনবা মফম খরদনা শজিক মরাং কায়না ফংলি অদুগা মফম খরদনা শজিক ফংদবগী অৱাবা অমা ওইরি। অমরোমদনা নোংজুথা মতমদনা অমুক শজিক মরাং কায়না ফংবা অদুগা নিংথমথাদনা শজিক্কী অৱাবা অমুক লৈরকপা য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা মতমসিদা শজিকশিংসি শিল্লগা কোমনুংদা থল্লগা সাইজিল শেম্বীবা নংত্রগা শজিক অকংবা ওইনা থম্বীবা য়াই।

শজিক কংহনবা মতমদসু শজিক্কী মখোক অকনবা খুদম ওইনা হায়রবদা চুজাক্কী মখোক, চনানগী মখোক অসিনচিংবশিং অসি কনবনা মরম ওইদুনা কংবা ৱাৎলি। কংনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙই। অথোৎপা মখোকশিং খুদম ওইনা হায়রবদা হুপ, ওট, কবো নাপী, তুজেন্বী অসিনচিংবা কয়া অসি কংহল্লগা থম্বীবা য়াই।

শজিক অকংবা হায়রগা কল্লিবা শজিক খুদিংমক শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি হন্থহল্লগা কংহনবদুবুনি। শজিকশিং কংলিমতিক কোকফাই শুজা কাবগী চাং হন্থহল্লি অমসুং কুইনা লীবা য়াই। কংহন্নবা কক্কদৌরিবা শজিকশিংগী ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা মাঙদনবা মপূং মরৈ ফাবগী মতমদসু মখা পোল্লি। ঙন্না শজিক কল্লগাদি ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা য়াওবগী মশীং য়াম্মী অদুবু পোথোক্তি ৱাৎলি অদুগা থেংনা কল্লগাদি ন্যুত্রেন্টকী চাং হন্থরগসু পোথোক হেন্না ফংই অদুবু অয়াম্বনা মপান লাক্কমদাইদা শজিক অকংবা শেম্নবা ককথৎপগীনি।

**অফবা অকংবা শজিক্কী মগুণ :**- মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহল্লগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা ফংবা ঙম্মী। অদুবু থেংনা শজিকশিং কল্লগা শেল্লগদি মখোকশিং কংশিল্লকপদা নত্তনা মরূ/মহৈ পানবদা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মহৈদা চংখি।

- অফবা মখলগী শজিক অকংবা ওইরগদি অকংবা পান্বীদুগী মনাশিং মশাদা তেক্তা কায়দনা লৈগনি। পান্বীগী অয়াম্বা ন্যুত্রেন্টশিং মনাদা লৈ। মনাশিং মখোক্তগী কেন্সখ্রগাদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙগনি।

- অকংবা শজিক্কী মনাশিং শংদুনা অদুম লৈরগদি মদু অফবা শজিক অকংবনি। মনাশিং কংহন্নবা হোৎনবদা অকংবা ময়াম অমা মাঙই।

- কংহনবা মতমদসু অথোৎপা মখোক/পান্বীনা ওইরগদি শাশিংনা চাবদা মহাও লৈনা চাবা ওইহল্লি।

- অকংবা শজিক শেম্বা মতমদা অতোপ্পা মখলগী চাবা য়াদবা পান্বী য়াওহনবীরোইদবনি।

- অকংবা শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি চাদা ২০-২৫ ফাওবা লৈগনি। মনিলগী চাং ৱাংলগদি পত্থ-পুমথরকপগী চাং ৱাংনা লৈগনি।

- শজিক কংহনবা মতমদা উফুল-ৱাইফুল পকহনবীরোইদবনি অমদি নুংশিবা মনম চেলহন্দুনা মহাও লৈহনগনি।

**অকংবা শজিক শেম্বা :**- অকংবা শজিক শেম্নবগীদমক থাগদৌরিবা মফমদু লৈবাক লৈহাও নিংথিনা ফবা ওইগনি। থাগদৌরিবা মরূদুসু মফমদুগী মতুং ইন্না হুনগদবদুদগী হেন্না হুনবীগনি। মসিনা কুংনা হৌহনবতা নত্তনা মখোঙসু থোৎনা লৈগনি।

- শজিক ককপা লোইরগা কংহনবা মতমদা শজিক্তা য়াওরিবা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙদনা লৈহন্নবা হোৎনবীগনি অমদি মনিলগী চাংসু কা হেন্না য়াওদনবা অমদি অহেনবা মনিল য়াওরগদি পত্থ পুমথহনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। কংহনবা মতমদা মনাশিংদু কেন্দনবা হোৎনবীগনি। মনাদা প্রোটিনগী চাংসি চাদা ৭০ দগী হেন্না য়াওই অমদি কেরোটিনগী চাংসু চাদা ৯০গী মথক্তা য়াওই।

- কংহনবা মতমদসু ন্যুত্রেন্ট খরদি অদুম মাঙখি। অদুবু কংহনবা মতমদা মৈশা হেন্না পীবা নংত্রগা মনিলগী চাংসি হন্থনা লৈত্রগদি মসিদসু ন্যুত্রেন্টগী চাং হন্থহল্লি। নোংজুথা মতমদসু নোংনা মরম ওইদুনা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙহল্লি। কংহনবা মতমদা মনা শংলিমখৈ কেরোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওবগী শক্তমনি।

- শজিকশিং কংহনবা মতমদা কংই কংদে খঙননবা অরায়বা মওং অমদা কংহনলিবা পান্বী অমা লৌবীরগা য়োৎপী অমনা মখোক্তু হুইগৎ হুইথা তৌবা মতমদা মখোক্তু কোনলকপা তারগদি মদু কংবা য়াওদ্রিবনি হায়না লৌবীগনি অদুগা অতোপ্পা অমনা পান্বী খরা লৌরগা খুবাক্তা হাপ্লগা শুরু শুরু নৈবা মতমদা মহি খরা থোকপা উরগদি মদুসু মনিলগী চাং ৱাংনা লৈরি হায়না লৌবগা লোয়ননা খরা শাংনা কংহনবীগনি।

- কংবা লোইরবা তুংদা মফম চানা পুল্লগা শা-ষণশিংদা পীজবীগনি।

**কংহনবগী মওং : ক) থারিবা মফমদুদা কংহনবা** - শজিকশিং ককপা লোইরবা তুংদা অমুক মফমদুদা অদুমক কোনশিল্লগা থম্বীগনি। শজিক ককপগী মতম অমদি লিক্লা তাশিনবনা ক্বালিটিদা অশোয়বা য়াওরকই। কল্লবা শজিকশিংদু মপূন মপূন পুল্লবা তুংদা নিংথিনা কংহনবসু য়াই। অদুবু কংহনবগী মতমদা মনাশিং কেনবগী চাং য়াম্না ৱাংই অমদি কংহনবা মতমদা কেরোটিনগী চাংসু হন্থহল্লি অমদি মনিলগী চাংসু চাদা ৪০ দুমক লৈগল্লি। অসিগুম্বা শজিক কংলি কংলি লাওরবসি মকোন মকোন কোনশিন্দুনা অমুক মখা তানা কংহনবীগনি।

**খ) শা-ষণগী মকোন্দা কংহনবা** - কাবক কাবক কংলবা শজিকশিং মকোন মনুংদা শগাই শারগা থমদুনা কংহনবীবসু য়াই। মসিদা নুমিৎ ৭-১৪ ফাওবা নুংশিৎনা কংহনবদা চংই। অসিগুম্বা অকংবা শজিকশিং অসি শংদুনা অদুমক লৈ।

**গ) খূৎশেমগী কংহনবা** - খূৎশেমগী অশাবা নুংশিৎ শীজিন্নদুনা শজিক ময়াম অমসু কংহনবা য়াই। অদুবু মসি য়াম্না চাওনা তৌরগদি কান্নবা কয়া ফংদে।

**ঘ) মতুম তারগা শেম্বা** - শজিক ময়ামসি মতুম তানবা মেছিন্দা মতুম মতুম তারগা কংহনবা য়াই। মসিনা পুথোক পুশিন তৌবদা মতম চংহন্দে, থবক তৌশিনবগী মী মশীং হন্থহল্লি, ন্যুত্রেন্ট হন্থহন্দে, উফুল-ৱাইফুল কয়া পক্তে।

মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহনহৌরগদি তুং কোয়না মতম শাংনা শজিক ৱাৎলকপা মতমদসু পীজবীবা য়াই অমদি শজিক ফংদবা মফমদসু পুরগা পীজবীবসু য়াই। ●

# ঙা মশা তেক্লা থম্বা অমদি মসিগী কান্নবা

**ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ**

ঙা হায়বসি য়াম্না থুনা পত্থগনবা পোৎশক অমনি। অতোপ্পা শা-উচেক অমদি মনা-মশিংশিংদগী খরা হেন্না পত্থগনবা পোৎশক অমা ওই। য়েন-ঙানু, হামেং, ওকনচিংবদগী খরা হেন্না পত্থগনবা পোৎশক অমা ওইবা মরম্না ঙা ফাদোক ফাজিন তৌবা অমদি পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা খরা হেন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ঙা ফাবা অমদি পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা ঙাদা অৱাবা য়াম্না পীরবা অমদি অশোক অপন থোকহল্লবদি ঙাশিং অদু য়াম্না থুনা পত্থ-পুমথবা থোকহল্লি। মরম অদুনা মতাং অসিদা চেকশিন থৌরাং খরা হেন্না লৌহৌবনা ঙামী অমনা শেন্দোং লৈনা ঙা য়োনবা ঙমগদৌরিবনি। ঙাবু করম্না হিংনা পুগনি অমদি ফাদোক ফাজিন তৌবদা করম্না চেকশিন থৌরাং লৌগনি হায়বদু খঙনা তৌরবদি শেন্দোং লৈনা ঙা য়োনবা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা ঙাশিংবু হিংনা পুথোক-পুশিন তৌনবগী খুদোংচাদবশিং অদু করম্না চেকশিন থৌরাং লৌগদগে হায়বদু খঙলবদি অমুক্কসু হেন্না কান্নগনি।

ঙা ফানবা ঈলনা খোনবা মতমদা ঙাদা অশোক অপন খরা থোকই অমদি ঈলদগী নাম্থোকখিনবা হোৎনবা মতমদা ঙাদা অৱাবা কয়া পীবা মরম্না ঙা অদু শিরবা মতমদসু খরা থুনা পথৈ। ঙা ফাবা মতমদা ঙাদা অৱাবা পীদনবগীদমক্তা ঙা য়োক্লিঙৈ মতমদা তোইনা ঈল খোন্দুনা ঙাদা ঈল খোনবগী হৈনবী ফাওহনগদবনি। শম্না হায়রবদা ঙা ফাবা মতমদা য়ারিবমখৈ ঙাদা অৱাবা পীবিরোইদবনি। ঙা য়োক্লিবা পুখ্রিদা ঈল খোনবগী কান্নবা অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা পুখ্রিদা লৈরিবা ন্যুত্রিএন্টশিং ফজনা চাইথোকহনবা অমদি পুখ্রিগী মখা থংবা লৈমায়দা য়াওবা মহু চেনবা পোৎশকশিং মথক্তা পাইথোকহনখিদুনা ঙাবু মশা ফহল্লি।

**ঙা হিংনা পুবা :** করিগুম্বা ঙা য়োক্লিবা মফমদগী ঙা য়োনগদৌরিবা মফম অদু য়ৌবা মতমদা পুং তরুক্তগী হন্থনা চংবা মফম ওইরবদি ঙা হিংনা য়োনবনা অসুক্কী মতিক কান্নগনি।

১) অহিংবা ঙা ওইনা য়োনবা ঙল্লবদি ঙা অদু মশা তেকই হায়বা খঙলবনিনা ঙা অদু য়োনবা মতমদা চাদা ২০-৫০ ফাওবা হেন্না মমল হেনগৎলগা য়োনবা ঙমগনি।

২) ঙা লৈরিবা মীওইশিংনসু ঙা অহিংবনা হেন্না পাম্লে। অদুগীসু মথক্তা ঙাগী মহাওসু হেল্লি।

৩) ঙা হিংনা পুবা মতমদা উন শীজিন্নদে অমদি অতোপ্পা থৌওংশিং শীজিন্নদবা মরম্না ঙাবু পুমথহন্দনবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী চংগদবা শেল অদু হন্থহনবা ঙমগনি।

**ঙা হিংনা পুনবগীদমক্তদি মখাগী থৌরাংশিং অসি পায়খৎপীগদবনি :**

১) ঙা ফাবা মতমদা নুংথিলগী মতম হায়বদি নুংশাগী মৈশা খরা হন্থরক্লবা মতমদা ফাবীগনি।

২) ফারবা ঙাশিং অদু হাপ্পা (Happa) অমদা হাপ্পীদুনা নুমিদাং অমা ঙা লৈরিবা পুখ্রিদুদা থম্বীগদবনি। মতম অসিদা মথি ফজনা ফাইদোকখিবা মরম্না পুথোক পুশিন তৌবদা ঈশিং মোৎশিল্লকপগী চাং হন্থগনি।

৩) ঙা হাপকদৌরিবা পাত্রশিং অদু গাড়ীদা হাপ্লবা মতুংদা অঙৈংবা ঈশিং হাপ্পীগনি।

৪) ঐখোয়না চানরিবা থুম অসি ঈশিং লিটর অমদা গ্রাম ১০গী চাংদা হাপ্পীগনি।

৫) ঈশিং লিটর অমদা ঙা গ্রাম ৫০০দগী কিলোগ্রাম (অমা) ফাওবা হাপ্পীগনি।

৬) য়ারিবমখৈ ঈশিং অদু লেংহন্দনবা হোৎনবীগনি।

৭) ঙা পুরিবা পাত্রশিং অদুদা য়াওরিবা ঈশিং অদু পুং তরুক খুদিংগী নংত্রগা ঈশিং মোৎশিল্লকপা খুদিংগী শিন্দোকপীগদবনি।

**ঙা হিংনা পুবা মতমদা তৌবীগদবা চেকশিন থৌরাং খরা :**

১) কৈদৌঙৈদসু ঙাগী মচিঞ্জাক, গ্লুকোজনচিংবা হাপ্পীরোইদবনি। মরমদি ঙানা শ্বর ফুল্লকপা মতমদা ঙাগী মচিঞ্জাক্লা কৈদৌঙৈদসু ঙাবু হিংহনবা ঙমদে।

২) এরিয়েটর শীজিন্নদুনা ওক্সিজেন হেনগৎহল্লবদি য়াম্না কান্নগনি।

৩) ঈশিং মোৎশিল্লকপা মতমদা নংত্রগা পুং ৬ শুরকপা খুদিংগী ঈশিং শিনবীবা কাউবীরোইদবনি।

৪) ঈশিং ঈংথহন্নবা উন খরা শীজিন্নরবদি অমুক্কা হেন্না কান্নগনি।

৫) ঙানা থাদোরকপা অমোৎপা নংত্রগা মহু চেনবা পোৎশকশিং চুপশিনখিনবা এক্টিবেটেট চারকোল (মৈতাল) শীজিন্নরবদি অসুক্কী মতিক কান্নগনি।

**উন হাপ্তুনা ঙাবু পুমথহন্দবা :** উন হাপ্পনা মাইক্রোবিয়েল হায়বদি মহিক-মতাইশিংনা ঙাবু পত্থহনবা অমদি ঙাদা য়াওজরিবা এনজাইমশিংনা ঙাবু পত্থহনবা অদু থিন্থহল্লি। হায়রিবা থৌওং অসিদা চোংগাংগী পাত্র শীজিন্নবা কান্নগনি। চোংগাংগী পাত্রশিং অসি মৈশা ফাওবা ঙমদবা, য়াম্না য়াংবা, কুইনা চৎপা মগুনশিং চেল্লি। হায়রিবা থৌওং অসি পাঙথোকপীবা মতমদা ঙা অমদি উনগী অরূম্বদু মান্নহগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা করিগুবা ঙাদু কিলোগ্রাম অমা ওইরবদি উন অদুসু কিলোগ্রাম অমা ওইহনগদবনি।

উন হাপত্রিঙৈদা ঙাশিং অদু ফজনা চামথোকপীগদবনি। করিগুম্বা অমোৎ অকাই, ঈ থোকপা, ঙাগী মনাং য়াম্না য়াওবা নংত্রগা লায়না লৈবা ঙা য়াওরবদি পাত্রদুদা য়াওবা ঙা পূম্নমক মাঙহনখিনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা ঙাশিং অমদি উন হাপ্পা মতমদা সেন্টিমিটর ৫০দগী হেলহল্লোইদবনি। করিগুম্বা মসিদগী হেনবা তারবদি মখা থংবা শরুক্তা লৈবা ঙা অদু মথক থংবা শরুক্লা ননশিনখিদুনা অকাইবা থোরক্কনি। ঙা অমদি উন হাপ্পীবা পাত্র অদুগী কাচিন অমদা অহোবা মখুল মচা অমা হুৎপীগনি। মসিদা উন শৌদোরকপগী মহিশিং অদু মতোমতা চেন্থখিগনি।

**উনদা ঙা লিবগী থৌওং**

ঙাদু ঈশিং অঙৈংবদা শেংনা চামথোক্কনি

।

চাউবা অমদি মখল মান্নবা ঙাশিং খনদোক্কনি

।

মশা শোক্লবা ঙাশিং লৌথোক্কনি

।

ঙা হাপকদৌরিবা পাত্র অদু ঈশিং লিটর অমদা ক্লোরিন মিলিগ্রাম ১০গী চাংদা হাপ্লগা চামগনি

।

পাত্র অদুগী মখা থংবা শরুক অদু উন্না সেন্টিমিটর ৫ থানা হাপকনি

।

ঙা ফজনা হাপ্পীগনি

।

মথক্তা পনখ্রিবা ঙা হাপ্পা অমদি উন হাপ্পগী থৌওং অসি পাত্র অদু থন্দ্রিবা ফাওবা তৌবীগনি।

।

মথক থংবা শরুক অদু উন্না ফজনা কুপকদবনি

।

পাত্রদু মখুম খুমজিনগনি

অসুম্না ঙাবু তগৎ-তগৎ তেক্লা য়োনবা অসিনা ঙামীশিংদা কান্নবা পীবদা নত্তনা ঙা চারিবা মীওইশিংদসু হাওনা চাবা ফংহনবদা নত্তনা হকচাং ফহনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি। মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিং অসিদি মফম অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙবা মরম্না ন্যুত্রিটিভ ভেল্যু হন্থবতা নত্তনা ঙাশিং অদু মতম কুইনা পুমদনবগীদমক করম করম্বা হীদাক লাংথক শীজিন্নবগে হায়বদু য়াম্না মুন্না থিজিনবগী তঙাইফদবা লৈরি। ময়াম্না হায়নরিবা ফোরমেলিন হাপ্পনচিংবা থৌওং কয়া শীজিন্নবা থোক্লবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী য়াম্না লাইবক থীবনি। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্লা লমদম অসিগী য়াইফনবা খরদা ওইরবসু পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নদুনা তগৎ-তগৎ তেকপা ঙা ফংহন্নবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# ঈশিং হন্থনা শীজিন্নবা পাম্বৈ - (মাইক্রো ইরিগেসন)

**ডা. ৱাইখোম জিতেন**

মালেম অসিদা লৈরিবা অচৎ-চত্ত অহিংবা জীব খুদিংনা হিংনবগীদমক শুংশোয়-শোয়দনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ঈশিং হায়বসিসু অমনি। করিগুম্বা মতমদা ঈশিং অসিবু ‘জীবশিংগী শিদহীদাক’ হায়রগা ফাওবা খঙনৈ। মালেমগী ওইনা নোংম-নোংমগী মীশিং অসুম-অসুম হেনগৎলকপা, মীশিং অসিগী হিংবগী থাক ৱাংখৎলকপনা তরূ-তনাননা লৈনবা হোৎনরকপা, অচৌ-অচৌবা শিন্নাইশঙ (ইন্দষ্ট্রি) কয়া লীংখৎনরকপসিনা ঈশিংগী মথৌ তাবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ইন্টরনেসনল ৱাটর মেনেজমেন্ট ইন্সটিট্যুটনা পীবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০২৫দগীদি মালেমগী অপূনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরগনি। ইন্দিয়াগী ওইনা লৈবাক অসিনা নোং অমসুং উন শৌদোরকপদগী ফংলিবা অপূনবা ঈশিং অসি ৪০০০ (লিশীং মরি) Billion Cubic Water নি। অসিগুম্বা ঈশিং অসি চহী অমগী মনুংদা মী অমনা ফংবগী চাং নেমথরক্লি। কুমজা ১৯৫১দা মী অমনা ক্যুবিক সেন্টিমিটর ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৪দা ১৫০৮ ক্যুবিক সেন্টিমিটরগী ঈশিং থুংনবগা লোয়ননা মখা তানা কুমজা ২০১৫দা ১৪৬৫ অমসুং কুমজা ২০৫০দা ১২৩৫ ক্যুজিক সেন্টিমিটরগী ঈশিং ফংলগনি হায়না পানরি। ঐখোয়না শীজিন্ননবগীদমক ফংলিবা অপূনবা ঈশিং অসিগী চাদা ৮০ হেনবদি মহৈ-মরোংশিংবু ঈশিং চনবদা শীজিন্নৈ। ঐখোয়না থারিবা পান্বীশিংবু ঐখোয় মীওইবশিংনা শেম্বা তোঙান-তোঙানবা থৌওংশিংনা ঈশিং পীবা অদুবু ঈশিং চনবা কৌই। মসি মপূং ওইনা হৌরিবা পান্বীশিংবু নোংগী ঈশিংনা মথৌ তাবা ঈশিং পীবা ঙল্লক্তবা মতমদা খূৎশেমগী ওইবা থৌওংশিং শীজিন্নদুনা পান্বীশিংদা ঈশিং ফংহনবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা কুমজা ২০২২-২৩দা মরূ হুল্লিবা (পোৎ থারিবা) লৌ পরি মিলিয়ন ১৫১গী মনুংদা লৌ পরি মিলিয়ন ৭৩ ঈশিং চনবগী খুদোং চাবা লৈদুনা পোৎ থারিবা অপূনবা লমগী চাদা ৫১ ঈশিং ফংবা লৌফম ওইরি।

কুমগী নোংদা তাংদুনা লৌ উবা মফমদা লৌ পরি অমনা কেজি ১১০০ পুথোকপা মতমদা ঈশিং চনবগী খুদোংচাবা লৈবা লৌফম্না লৌ পরি অমদগী কেজি ২৮০০ পুথোকপা ঙম্মী। অসুম্না ফংলিবা ঈশিংশিং অসিনা অহেনবা লৌফমশিংদা ঈশিং চন্দুনা অহেনবা পোথোক-চাথোক পুথোক্লবগীদমক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা ঈশিং অসি য়ারিবমখৈ মাঙহন্দনা হন্থবা চাংদা শীজিন্নদুনা পোথোক পুথোক্লবগী পাম্বৈশিং থিবা হায়বসি তঙাইফদ্রবা অমা ওইরে। মরম অদুনা হৌজিক অমদি তুংদা লাক্কদবা মতমশিংদা লৌউ-শিংউবগীদমক মথৌ তাগদবা ঈশিংশিং কোন্নহন্নবা পাম্বৈ অমা ওইনা মাইক্রো ইরিগেসন শীজিন্নবা য়াই।

মাইক্রো ইরিগেসন হায়বসি অনেম্বা প্রেসর অমা শীজিন্নদুনা থারিবা পোৎশিংগী লৈমায়দগী নংত্রগা লৈনুংদগী পান্বীগী মরা য়াম্না নক্লা ঈশিং পীনবগী পাম্বৈ অমনি। মসিনা থারিবা পান্বীশিং অদুগী মরূ-মরাগী হেক মনাকমক্তদা ঈশিং পীদুনা ঈশিং খজিকখক্লা পান্বী ময়াম অমা ঈশিং চনবা য়াই। অমরোমদা অমুক মাইক্রো ইরিগেসন হায়বসি প্রধান মন্ত্রি কৃষি শঞ্চয়ী যোজনা (পি এম কে এস ৱাই) গীদমকসু য়াম্না মরূ ওইবা পোৎচঙ অমনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি লৌমীশিংনা শীজিন্নবগী চাং য়াম্না নেম্না লৈরি।

তোঙান-তোঙানবা ঈশিং চনবগী কাঙলোনশিংনা পীরিবা কানবশিং:-

| | | |
|---|---|---|
| পুরিবা ঈশিং কয়া য়াম্না লৌফম য়ৌবগে | (১) মহৌশাদগী লৈনরিবা ঈশিং খোংশিং<br>(২) পাইপ তৌদুনা ঈশিং পুবা | - চাদা ৭০গী মখা লৌফম য়ৌই<br>চাদা ৯০-৯৫গী চাংদা লৌফম য়ৌই। |
| লৈরিবা ঈশিংনা পান্বীদা | (১) লৈমায়দা পুরগা ঈশিং চনবা<br>(২) স্প্রিঙ্কলরগী ঈশিং চনবা<br>(৩) ড্রিপনা ঈশিং চনবা | চাদা ৫০গী মখাদা পান্বীদা কান্নবা পী।<br>চাদা ৯০-৯৫গী চাংদা পান্বীদা কানবা পী। |

**মাইক্রো ইরিগেসনগী পীবা কানবশিং :**

১) পোথোক পুথোকপা ঙম্বগী চাং নোংদা তাংবা লৌউ মওংগী শরুক অনী ওই।

২) ঈশিং চনবদা চঙবা অপূনবা ঈশিংগী চাদা ৭০ হন্থনা শীজিন্নবা য়াই।

৩) পম্পগুম্বা শীজিন্নবদা চঙবা থাও/মৈ হন্থনা চঙই।

৪) পান্বীগী মচিঞ্জাক হারগুম্বা চাদা ৩০-৪০গী চাং হন্থনা শীজিন্নবা য়াই।

৫) লৈরিবা ঈশিংনা পান্বীদা পীবা কান্নবগী চাং চাদা ৯০-৯৫গী চাং য়ৌই।

৬) পান্বীশিংদা ঈশিং চাং মান্ননা পীবা ঙম্মী।

৭) পুথোক্লিবা পোৎশিংগী মগুণ হেনগৎলি।

৮) নাপী হৌবগী চাং নেম্মী।

৯) লায়না-তীলনা ঙাকথোকপদা কোম্মী।

১০) ঈশিং চনবদা চঙবা খুল্লং হন্থহল্লি।

১১) লৈতেম মান্নদবা মফমশিং ঈশিং চনবদা খুদোং চাহল্লি।

মাইক্রো ইরিগেসনগী মখলশিং :

১) স্প্রিঙ্কলর ইরিগেসন :- থৌওং অসিদা ঈশিং অদু পম্প অমগী মতেংনা পাইপশিংদা পুরক্লগা য়ুংখৎতুনা থম্বা পাইপ অমদগী ঈশিং মরীক মরীক ওইনা নোং তাবগী মওংদা ইকোয় কোয়না চাইবনি। মসিদা ঈশিং কাপথোরকফম অমদগী ঈশিং লিটর ১৭৫ লৌ পরি অমদা পী।

২) ড্রিপ ইরিগেসন :- পম্প অমনা পীরকপা ঈশিং অদু পাইপ অমনা পুরক্লগা হৌরিবা পান্বী মখোঙ মখোঙশিংদা মখুল অমদগী দ্রোপ-দ্রোপ ওইনা তাহন্দুনা ঈশিং পী। মসিনা পুরক্লিবা পাইপ অদুগী মিটর অমগী মনুংদা লৈবা মখুলশিংদগী পুং অমদা ঈশিং লিটর ১৬ পীবা ঙম্মী।

৩) সব-সর্ফেস ইরিগেসন :- থৌওং অসি মথক্কী মওং অসিগা মান্নবরবসু পাইপ অদু লৈনুংদা ফুমদুনা পুরগা পান্বীগী মরা লৈবা মফমদা ঈশিং পী।

৪) বব্বল ইরিগেসন :- মসিসু ঈশিং অদু পাইপ্তা পুরক্লগা পান্বীশিংদা ঈশিং চনবগী মওংদা পীবনি। থৌওং অসি ঈশিং চাং ৱাংনা দরকার লৈবা পান্বীশিংদা পীবনি। থৌওং অসিনা পান্বীশিং পুং ১গী মনুংদা ঈশিং লিটর ২৩০গুম্বা পী। করিগুম্বা লৈবাক অদু ঈশিং চুপশিনবদা মতম চঙবা লৌফম ওইরবদি অপীকপা পল মচা-মচাশিং ইকোয় কোয়না হাপ্পীগনি।

৫) স্প্রে ইরিগেসন :- থৌওং অসিনা অচৌবা লৌফম নংত্রগা নাপী পাক্লা থাবা মফমশিংদা শীজিন্নবা ঈশিং চনবগী মওংনি।

লৈরিবা ঈশিং খরদুনা লম হেন্না পাক চাওনা ঈশিং চন্দুনা পোথোক চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্নবগীদমক, ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরক্লবা মতমসিদা মাইক্রো ইরিগেসনগুম্বা ঈশিং চনবগী মওংশিংদা মায় ওনশিনবগী মতম য়ৌরে। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৭**

১) **‘‘ছৈরেং অনৌবা’’** হায়বা লাইরিক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো?

২) **‘‘ভর্তৃহরিশতকত্রয়ম্’’** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে ?

৩) **‘‘য়াইথিংকোনু’’** (২০০৪) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **‘‘য়ুরম্বীর চক্র (য়ু থকপগী মনা)’’** হায়বসি ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো অমসুং অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) **‘‘লৈমপাৎকী থারিকথা’’**হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নংত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নংত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।